**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 27-04-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

(তাং ২৭-০৪-২০২৬, নিংথৌকাবা)

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) চুরাচান্দপুর জিলাদা ব্রজ তাবদা মীওই অমা শিরে, অমা অশোক অপন নংলে।

মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা ঙসি অখাক অরাওগা লোয়ননা ময়াই ওইরপ নুংশিৎ শিৎকনি।

২) নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্তিয়র রেলৱেগী রেলৱে প্রোতেক্সন ফোর্সনা লূপা লাক্ষ ২৯ রোমগী গঞ্জা কিলোগ্রাম ৬০ ফারে।

**অমসুং**

৩) নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভাগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী মতম ঙসিনা লোইরে। ভোৎ য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থাদনগনি।

----

**দেথ(এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাদা ব্রজ তাবদা মীওই অমা শিরে, অমা অশোক অপন নংলে।

ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউমী ফ্রান্সিস সোঙাতেনা হায়- থৌদোক অদু ঙরাং নুংথিল জিলা অসিগী বুৰাললিয়াং খুলদা থোকখিবনি। মখোয় অনি উমংদা মনা মশিং হেকপা চৎপদা নোংলৈ নুংশিৎ তৌরকপদগী মনাক নকপদা নোং থুপ্তুনা লৈরিঙৈদা ব্রজ তারকপদগী গৌখনমুং কৌবা মীওই অমনা মফম অদুমক্তদা শিখি। অদুগা, ফুংজালিয়াংনা অশোক অপন নংখিবনি হায়রি।

**নোং(এল)ঃ** মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী পাউ মতুং ইন্না ঙসি রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা ময়াই ওইরপ নুংশিৎ শিৎকনি। হায়রিবা ফিভম অসি হয়েংসু অহোংবা লৈরোই। লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা তামেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপীগী মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং কন্না চুগনি। রাজ্য অসিগী মফম খরদা ঙরাং নোং নিংথিজনা চুখি। মসিনা মরম ওইদুনা শাবগী চাং হান্নদগী খরা হন্থরে।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং চুগনি অদুগা অৱাং অমসুং ময়াই থংবা ভারতকী মফম কয়াদনা শাবগী চাং চাদা ৪০ দগী ৪৬ ফাওবা য়ৌরবা য়াই হায়রি। বিভাগ অসিনা হায় অৱাং নোংপোক লমদম, নোংচুপ থংবা হিমালয়ন লমদম অমদি অৱাং নোংপোক বিহারগী মফম খরদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৬ কী মখাদা লৈখি। মহারাস্ত্রগী অকোলাদা ঙরাং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৬.৯ য়ৌখি। ত্রিপুরা য়াওনা খা থংবা ভারতকী মফম কয়াদা শাবা অমদি নুংশিৎতা ঈশিং য়াওবগী চাং হেনগৎলম্বা য়াই। হরিয়ানা, চান্দিগর, মধ্য প্রদেশ, উট্টর প্রদেশ অমসুং ছতিসগরগী মফম কয়াদা নুমিদাংগী মতমদা শাবগী চাং হেনগৎকনি হায়রি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা চেকপোইন্ট থমদুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মণিপুর পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না কাংপোকপী জিলাগী দাইলি খুলদা লৈবা তয়র ৱার্কশোপ অমা মৈ থানবা হোৎনরম্বা কেসকা মরী লৈননা কাংপোকপী পুলিস স্তেসনদা থাঙ্গৎলকখিবা এফ.আই.আর অমগা মরী লৈননা মীওই অহুম ফারে। অহানবগী ওইনা থিজিনবদা মখোয় অহুম অদু থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা খঙবা ঙম্বনি।

**এআরঃ** অসাম রাইফলসনা পাৎশোই অমসুং সেকমাইজিংগী মীওই কয়াগা উনদুনা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মীয়ামগা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- থা অসিগী ১৯ দগী ২৫ ফাওবদা অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্থখিবা ওপরেসনদা প্রিপাক(প্রো) অমসুং পি.এল.এগী কাদর অহুম ককচিং অমসুং তেংনৌপল জিলাদগী ফাগৎপা ঙমখি। অসাম রাইফলসনা চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাদা থি হুন্বগী থবক চত্থবদা এ.কে ফোর্তি সেভেন রাইফল অমা, কর্বাইন অমা, সিঙ্গল বোর রাইফল মরি, পোম্পী মোর্তার মরি, বোম তরেৎ ফাগৎখি। উখ্রুলগী ঙমখৈ পরিংদগী শেল ওইনা লূপা লাক্ষ ৩৬ ফংবা ঙমখি।

অসাম রাইফলসনা ঙরাং উখ্রুল জিলাগী সংসক, সোরদে, গামনোম অমসুং সকপাউদা উ-চারা কয়ামরুম থাখ্রে। মফম অদুগী খুঞ্জাশিং য়াওনা অসাম রাইফলসকী ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা অকোইবগী খল ঙাক্তুনা হোংলক্লিবা অইং অশাগী ফিভম খরদা ওইরবসু ফগৎহন্নবগী পান্দমদা উ-চারাশিং অদু থাবনি হায়রি।

**গঞ্জাঃ** নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্তিয়র রেলৰেগী রেলৱে প্রোতেক্সন ফোর্সনা লূপা লাক্ষ ২৯ রোমগী গঞ্জা ফারে। থা অসিগী ২০ অমসুং ২২গী মরক্তা চথখিবা এন্তি নার্কোতিক্স ওপরেসনদা কিলোগ্রাম ৬০ রোমগী গঞ্জাশিং অদু ফাগৎখিবনি।

সরকারগী পাউ মতুং ইন্না নোর্থ ফ্রন্তিয়র রেলৰেনা কোনবা তোঙান তোঙানবা মফমদগী গঞ্জাশিং অদু ফাগৎখিবনি। গঞ্জাশিং অদুবু পুথোক পুশিন তৌবদা চেন্নবা মীওই অহুমসু ফাদুনা মখা তাবা থবক লৌখৎনবা গভর্ণমেন্ট রেলৱে পুলিসতা শিন্নখ্রে। নোংচুপ বেঙ্গলগী নিউ জেলপাইগুরি রেলৱে স্তেসনদগী রেলৱে প্রোতেক্সন ফোর্সনা থা অসিগী ২০ দা তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনিদা কিলোগ্রাম ৩২ রোম লুম্বা গঞ্জাশিং ফাগৎপা ঙমখি।

অতোপ্পা ওপরেসন অমদা ত্রিপুরাগী অগরতলা রেলৱে স্তেসনদগী থা অসিগী ২১ দা মীওই অনি গঞ্জা কিলোগ্রাম ২১ গা কোন্ননা ফাখি। থা অসিগী ২২ দনা রেলৱে স্তেসন অসিমক্তদগী মীওই অমা গঞ্জা কিলোগ্রাম ৬ কা কোন্ননা ফাখি। রেলৰেগী খুথাংদা নার্কোতিক্সকী পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌবা থিংনবা অককনবা পাউগী মতুং ইন্না রেলৱে প্রোতেক্সন ফোর্সনা তোইনা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথরি।

**বেঙ্গলঃ** নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভাগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী মতম ঙসিনা লোইরে। সিট ১৪২গী ভোৎ লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নমিত্তা থাদনগনি। ভোৎ খোম্বগী মতম লোইগদবা খিতং ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা রাজনিতি দলশিংগী স্তার কেম্পেইনরশিংনা ঙমজবী থাদুনা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। মীখলগী রেল্লি পাঙথোকপা, রোদ সো, মীখলগী মীতিং, অমসুং য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা ভোৎ খোম্বনা মপুং ওইবা শক্তম ওইরি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ভোৎ থাদনগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা ঙাকশেলগী থৌরাং কনখৎলে। মীখল শান্তি ওইনা পাঙথোকবগীদমক সেন্ত্রেল আর্ম পুলিস ফোর্সশিং ঈরাং থোক্কনবা য়াই হায়না খনবা মফমশিংদা থমদুনা য়েংশিল্লি।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং হুগ্লি জিলাগী অরাম্বাগ অমসুং নোর্থ ২৪ পর্গনাজ জিলাগী বনগাউদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিংদা শরুক য়াখি। মহাকা হায়-লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎপা হায়বসি কেন্দ্রদা সাসন তৌরিবা বি.জে.পি লুচিংবা সরকার অসিগী খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎকদবা থবকনি। মহাকা হায়- কেন্দ্র সরকারনা লিমোনগী মিনিমম সপোর্ট প্রাইজ হেনগৎতুনা লৌমীশিংদগী লিমোন লৈশিনবগী চাং হেনগৎলে।

গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা নদিয়া জিলাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। মহাকা ভোতরশিংদা বি.জে.পিবু রাজ্য অদুদা সরকার শেমহন্দুনা ত্রিনামুল কংগ্রেসকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং থুগাইনবা খঙহনখি।

কেরলা, তামিল নাদু, অসাম, য়ুনিয়ন টেরিতোরি পুদুচেরিগা লোয়ননা তাঙ্কক অনিদা ভোৎ থাদনগদৌরিবা নোংচুপ বেঙ্গলগী ভোৎ মশিং মথং থাগী ৪ দা থিগনি।

**দ্রৌপদিঃ** হিমাচল প্রদেশকী নুমিৎ মঙানি খোঙচত্তা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু ঙসি শিম্লাদা থুংগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা পলমপুরদা লৈবা চৌধুরি শরুৱনকুমার হিমাচল প্রদেশ ক্রসি বিস্বা বিদালায়া কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়াগনি। মহাকা অতল তনেলসু চত্তুনা য়েংশিনগনি। শিম্লাগী মসোব্রাদা লৈবা রাস্ত্রপতি নিৱাসতা পাঙথোকপা রিসেপসন অমদা শরুক য়াগনি। মহাকা শিম্লাদা লৈবা আর্মি ত্রেনিং কম্মান্দদসু চৎকনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী সিক্কিম খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। মহাকা হয়েং গেংতোক্তা লৈবা ওর্কিদরিয়মদা চৎকনি। মফম অসি ইকোলোজিকেল অমসুং ফ্লোরেল হেরিতেজ ওইবতা নত্তনা মালেমগী মমিং চৎলবা ওর্কিদ এক্সপিরিয়েন্স সেন্তর অমসুনি। শ্রী মোদিনা সিক্কিমনা মপুং ফাবা

রাজ্য অমা ওইরকপগী চহি ৫০ শুবা কুমওন থৌরম লোইশিনবদা শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ৪ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট হৌদোক্কনি অমসুং যাত্রা হুনগনি।

শ্রী মোদি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা উত্তর প্রদেশকী নুমিৎ নিনি খোঙচৎতা রাজ্য অদুদা থুংগনি। মহাকা বরানাসিদা পাঙথোকপা মহিলা সমেলনদা শরুক য়াগনি অমসুং লুপা কোতি লিশিং ৬ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি অমসুং যাত্রা হুনগনি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা অমৃট ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়ি অনি লমথাগনি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা প্রধান মন্ত্রি হারদোইদা গঙ্গা এক্সপ্রেসৱে শঙ্গাগনি। কিলোমিতর ৫৯৪ শাংবা লেন ৬ লৈবা লম্বী অসি লুপা কোতি লিশিং ৩৬ চংনা পায়খৎপনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীগী থৌদোক, টি.এম কসোমগী মীহাৎ য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চংশিনখিবা, দেসামগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং কোকোমিগী থৌমী ফুরকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী পাউশিংনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মণিপুরদগী নারোনদা থাও পুথোকখিবনা অৱাবা মায়োকরক্কদৌরি, মোরেদা লোন্না থাও পুনবা হোৎনরম্বা গারি ৭ ফারে হায়বা পাউ- পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেন্সস ২০২৭ কী দেতাদা এন.আর.সি অপদেট তৌগদবা নত্তে, সি.এমনা লান্না এদভাইস তৌরব্রা হায়না দেমোগ্রাফর প্রোফেসর নরেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সনালৈবাককী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

মসিগা মান্নবা পাউদা- এন.আর.সি তৌদ্রিঙৈ সেন্সস হান্না তৌগদবনি হায়বা চিফ মিনিষ্টরগী ৱাফম লাইবক থিবনি হায়না মীতৈ ত্রাইভ য়ুনিয়ননা পেন্দবা ফোঙদোকখিবা পাউ - নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

পীক্লিবা অঙাং অমসুং মীচম হাৎপগী থৌদোকশিংনা খ্বাং কোইরবসু মনিপুর হুইমেন রাইটস কন্মিসনগী স্বর হোল্লমদ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। চুরাচান্দপুরদগী নুপী অমনা লুচিংদুনা পুরকপা লূপা ক্রোর ৭ রোমগী হেরোইন অসামদা ফারে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

য়ুরিয়া মরক্তা লোৎলগা পুরকপা তলপ মীয়ামা ফারগা মৈ থাদোকখ্রে, পুলিসকা মীয়ামগা হার মুন্নখ্রে তিয়র গ্যাস সেলশিং কাপখ্রে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সু, ইরাংগী খুৎলাই ওইরব্রা হায়না - সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী এদিতোরিয়েল কলমদা ফোঙলি।

দিপ্যুতি সি.এম লোসি দিখোনা মণিপুরদা লেপ্তুনা চত্থরিক্লবা প্রোতেষ্টকী মরক্তা শান্তি পুরকবা হায়খিবা ৱাফম- পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মণিপুরী হৌজিক ওইরিবা ৱাথোক নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসননা হকচিন্না লৌবগী পাউ অমা- মণিপুর মেলগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

কাংপোকপী দাইহরি ভিলেজতা য়ুম অমা মৈ থাগে হোৎনরম্বা থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি, পুলিসনা মীওই অহুম ফারে হায়বা পাউ- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা তংদু লৈতাদবা ফিভমনা মরম ওইরগা স্কুল হাংদবা অসিনা মহৈ মশিং তম্বদা চাউনা অপনবা থোক্লে, সি.এমনা শান্তি পুরকবা আপিল তৌরি হায়না- গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তাঙ্খুল নাগা লোংনা উখ্রুল তদুবীদা অসাম রাইফলসনা মরম ওইরগা মীওই অনি শোকখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগী পাউ- তামেংলোং তাইমসতা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

**---পাউ লোইজরে---**